# নোনে দিষ্ট্রিক্টকী খৌপুম রিলিফ কেম্পদা লৈরকপা মীওই ১২৬ ইম্ফালদা পুরকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস) :** নোনে দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা খৌপুমদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পদা চঙজফম লৌদুনা লৈরকপা ফুরুপ অমগী মীওই ১২৬ ঙসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী পুলিসকী এস পি এন মধুনিমাইনা লুচিংবা পুলিস টিম অমনা তেক্তা কায়দনা মফম অদুদগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা ইম্ফালদা পুথোরকখ্রে।

রিলিফ কেম্প অদুদা চঙজফম লৌরম্বদগী ইম্ফাল য়ৌনা পুথোরকখ্রবা মীওই ১২৬ অদুগী মনুংদা অমনা নুপীনি অদুগা অতৌনা নুপা ঙাক্তনি। পুলিস টিম অদুনা মখোয়বু ঙসি নুংথিল পুং ৪ রোম তারকপদা তেক্তা কায়দনা ইম্ফালদা য়ৌহল্লকপা ঙমখি। মীওইশিং অদুগী মনুংদা চুড়াচান্দপুরদগী য়াওনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগা থংনবা অতৈ দিষ্ট্রিক্টশিংদা থবক ইনখাং শুদুনা লৈবা মীওইশিংনা অয়ান্থনি হায়রি।

অদুম ওইনমক থা অসিগী ৩দগী থোরকখিবা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং অদুনা মরম ওইরদুনা মথংগী নুমিৎ থা অসিগী ৪দগী মখোয় খৌপুমদা হাংদোকপা রিলিফ কেম্পতা লৈরকখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, নোনে দিষ্ট্রিক্টতা হাংবা অতোপ্পা রিলিফ কেম্প অমদনা ফুরুপ অমগী মীওই ৩৬০গী মথক্তা চঙজফম লৌদুনা লৈরি হায়রি।

চৈরকসিদা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং অসিনা মরম ওইরদুনা জিরিবামদগী নোংমগী পুন্সিদা চঙবা মরু ওইবা পোৎলমশিং পুবা ত্রকশিং য়াওনা পূন্না গাড়ী ১০০ রোম হৌজিক নোনেদা পন্দুনা লৈরি হায়রি।

**জিরিবামদগী ইম্ফাল তম্না পোৎ চৈ পুরকপা ত্রক ১০০ রোম নোনেদা পন্দুনা লৈরি**

# নুংশি চান্নবা অমুক হঞ্জিল্লক্লবা পূন্না হোৎনমিন্নসি : এম এল এ রামেশ্বর

**ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা চহী কয়াগী মমাঙদগী নুংশি চান্নবা লৈমিন্নরক্লবা কাঙলুপ অনীগী মরক্তা খঙহৌদনা থোকখিবা থোকহন্নীংদবা থৌদোক অসি লাইবক থীবনি হায়না ককচীং এ সীগী এম এল এসু ওইরিবা এন পি পিগী নেসনল জেনরেল সেক্রেটরি ময়াংলম্বম রামেশ্বরনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি ককচীং মখালৌদা লৈবা এম এল এগী য়ুমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, লমদমসিদা লৈমিন্নদুনা লাক্লিবা মীতৈ অমদি অতোপ্পা কাঙলুপকী মীওইশিংগা ঐখোয় মশেলগী মরক্তা ৱাখল তান্নদবা, নুংঙাইনদবা লৈতনবা ঐখোয় খুদিংমক ৱাখল তামিন্নবা মথৌ তাই। মণিপুরদা তংদু লৈতাবা পুরকপা অমসুং ককচীং এ সীদা তংদু লৈতাবা পুরক্লবা হোৎনবা অসি হৌজিক্কী মতমসিদা ঐখোয় খুদিংমক্কী থৌদাংনি হায়খি।

কনাগুম্বশিংনা ওইদবা ৱাফম শন্দোরকপা, তোকঙা কয়ানা মরম ওইরগা ৱাখল চরাংনহনবা, অকিবা পোকহনবা, খোইরাং খোইশাওনহনবা, চিংনবা পোকহনবা, অশাওবা পোকহনবা অমসুং অকি অখং পোকহনবনা মরম ওইরগা অমনা অমগী মথক্তা পামদবা থৌদোক থোকহল্লকপা অমসুং ঈরাং শাগৎপা তৌবীগনু। সী এস ওশিং/লুপশিং অমসুং ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেসনশিংগী লুচিংবশিংনা মমাঙঙৈদগী ইপা ইপুশিংনা কাঙলুপশিংগী মরক্তা নুংশি চান্নবা লৈমিন্নরম্বা অদু অমুক হঞ্জিনহন্দুনা তংদু লৈতানা লৈমিন্ননবা পূন্না হোৎনমিন্নসি হায়খি।

পনবা য়াবদি, হৌজিক থোরক্লিবা ঈরাংনা মরম ওইরদুনা মোরেগী ৫ এ আরগী কেম্পতা চংজফম লৌরিবা মীয়াম্না শীজিন্ননবা কোল-লিক অমসুং চেঙ য়াওনা পোৎলমশিং ঙরাং এম এল এ অসিনা এ আরগী খুথাংদা তেংবাঙ পীখিবনি।

থৌরম অদুদা ককচীংগী দি সী অমসুং এস পি য়াওখিবগা লোয়ননা এম এল এনা পূক্নিং ৱাখল ফাথবীদুনা তংদু লৈতাবা হঞ্জিলহন্নবগীদমক পামদবা থৌদোকশিং থোকহনবীদনবসু আপীল তৌখ্রবনি।

# রিলিফ কেম্পতা তেংবাঙখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস) :** থৌবাল ৱাংমা তাবা মথক লৈকায়গী অকোয়বদা লৈরিবা ক্লব অমদি ওর্গনাইজেসনশিংগা খুৎশম্নদুনা ৱাংমা তাবা য়ুথ ক্লবনা কাঙলুপকী ঈরাংনা শোকহল্লবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস ইন্দোর হোলদা হাংদোক্লিবা কেম্পতা আর্মদ ফোর্সেস এক্ট সর্ভিসমেন ৱেলফেয়র এসোসিএসন, থৌবালগী মায়কৈদগী চান-থক্নবা পোৎলম কয়া তেংবাঙখ্রে।

এসোসিএসন অসিগী প্রসিদেন্ট ৱিং কম্মান্দর এ দি সিংহ, এগজ ক্যুটিভ মেম্বর অমদি ওনরেরি সেক্রেটরি এম খোগেন্দ্র অমসুং কেপ্তেন পি খেলেননা লুচিংদুনা লাকখিবা মীওইশিংনা রিলিফ কেম্প অসিদা চান-থক্নবা পোৎলমশিং খুৎশিন্নখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, টি দি টি টি এগী ইন্দোর হোলদা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্পদসু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন, থৌবাল, থৌবালগী ৱাই ভি য়ু, মৈরা পায়বী ময়ায় লৈরক, সুপর সোসল দিভেলপমেন্ট ক্লব, থৌবাল ময়ায় লৈরক, খেকমন অপূনবা লূপ, ওক্রম মনিং লৈকায়গী হোগ এন্দ হিল, পি দল্লিয়ু ও, লৈশাবী টিম থৌবাল ৱাংমা তাবা, রিএল রিকোভরি হোম এন্দ অরাম্বাই টিম, শাবলতোংবা মৈরা পায়বী এন্দ ক্লব, সোসল দিভেলপমেন্ট ক্লব, নিঙোম্থম মমাঙ লৈকায়, কিয়াম চৈথাবম এন্দ থৌবাল অচৌবা জে ইন্ট গ্রুপ, য়ুথ ফোর টুমোরো থৌবাল ক্ষেত্রি লৈকায়নচিংবনা তেংবাঙ পীবিরবদা অপেনবা ফোঙদোক্লখি।

# অশিবা হকচাং ফংলে

**ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস) :** ঙরাং নুমিদাং পুং ১০ রোম তারকপদা লম্লাই পি এসকী মনুং চনবা লৈমখোং মপাল অমসুং নোংঙাদাগগী মরক্তা লৈবা চীংগী মফম অমদা থোকখিবনি হায়বা থৌদোক অমদা লৈখিদ্রবা মীওই অমগী হকচাং ঙসি অয়ূক মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসনগী পর্সনেলশিংনা রিকোভর তৌবা ঙমখ্রে হায়রি।

অদুম ওইনমক মীওই অমা লৈখিদবা থৌদোক অসি মতৌ করম্না থোকখিবনো অমসুং থৌদোক অসিদা করম করম্বা মীওইশিং চেন্নবনো হায়বদুদি চপ চানা খঙবা ঙমখিদ্রি হায়না লৈমখোং মপালগী ক্লব অমগী থৌপুবশিংনসু পাউচে অসিদা ফোঙদোরক্লি।

# অৱাবা মায়োক্নরবশিংদা হেল্প লাইন নম্বর পীদুনা লৈঙাক্না কন্ননবা হোৎনবীয়ু : হাওমি

**ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস) :** ঙসি ওইরক্লিবা কাঙলূপকী ঈরাং অসি অপূনবগী মীৎয়েংদা গভর্ণমেন্টনা য়েংদুনা থবক লৌখৎপা মথৌ তাই হায়না ফেদরেসন ওফ হাওমিগী পল্লিসিটি সেক্রেটরিনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা সিক্যুরিটিদগী লৌখিবা খূৎলায়শিং পীখৎলক্ল বা লৈঙাক্না থোক্লিবা ওর্দর তরাম্না ওকফম থোকই হায়রি।

অদুবু মনীং তম্না হেক হৌবদগী খূৎলায় পায়দুনা সুদা লৈরিবশিংনি হায়না চিংনবশিংনা পায়রিবা খূৎলায়শিং অসিগী ৱাফম অমত্তা পন্দবা অসিনা হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদা মীচম মীয়াম অসি শিজ খ্রো হায়বগা চপ মান্নে হায়রি।

লমদমসিগী মীয়ামশিংবু কন্ননবা হেল্প লাইন অমা দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা অহিং নুংথিল হাংদুনা মীচমশিং কন্নবা হোৎনফম থোকই হায়রি।

থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা মশাগী ফুরুপ কন্নবা হোৎনরিবশিংনা ময়াই কাবা চিঞ্জাক শীজিন্নদুনা ফুরুপ মশেলদা খূৎ থাবা, লৈবাক মচা তাদবা ৱাঙাঙ শীজিন্নবশিং তৌরোইদবনি। থোক্লিবা থৌদোক অসি লান্না উহন্নবা হোৎনবীরোইদবনি হায়রি।

থা অসিগী ৩গী ত্রাইবেল সোলিদরিটি মার্চ অদুদা সোলিদরিটিগী খোল্লাউগী মহুত্তা চীফ মিনিষ্টরদা অথিবা ৱাঙাঙ ওইনা লাউখিবা অদুনা সোলিদরিটি রেল্লি নত্তে। নুমিৎ অদুদা খূৎলায় ফোংনা পায়দুনা কম্যুনিতি অমদা লান্দারকখিবা অমদি য়ূম মৈ থাখিবা নুমিৎতুদা কাঙলূপ অমদি পান্দ্বৈ লৈতনা কপ্পুনা খাঙখিবনি। মরম অসিনা সোলিদরিটিগী মীংদা মখোয়না নম্না তাবা মফমশিংদগী কাঙলূপ অমবু তান্থোক্লবা শিনবগী থৌওংনি হায়দবা ঙল্লোই হায়রি।

ওইরিবা ফীভম অসি মুন্না খন্থবীরগা লৈঙাক্না অথুবদা মীচম মীয়ামগী পুন্সি কন্নবা হোৎনফম থোকই হায়রি।

# ফ্রী হেল্থ কেম্প পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস) :** ফৌদেল য়ু পি ঐচ সীনা থৌবাল ৱাংমা তাবা মথক লৈকায়গী অপূনবা ক্লব অমদি ওর্গনাইজেসনশিংগা পূনশিন্নদুনা টি দি টি টি এগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা হাংদোক্লিবা রিলিফ কেম্পতা নোংমগী ওইবা ফ্রী হেল্থ কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

কেম্প অসি য়ু পি ঐচ সী অসিগী মেদিকেল ওফিসর ইন চার্জ ডা. রাকেসনা লুচিংবা টিমনা পাঙথোকখিবনি। কেম্প অসিদা মফম অসিদা লৈবা লাঞ্জেন্নরকখিবা মীওই ৫২ রোমদা তঙাইফদবা হীদাক লাংথকশিং পীবগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা লাইওংশিংগী মতাংদসু লায়েং চথুখি হায়রি।

# শীংজমৈ এ সীগী পিছ এন্দ রিলিফ কম্মিটি শেমখ্রে ঈং-তপ্পা লমদম অমা ওইহনসি : খেমচান্দ

**ইম্ফাল, মে ০৮ (ঐচএনএস) :** মাহুদ মিনিষ্টর ৱাই খেমচান্দগী লমজিং মখাদা শীংজমৈ এ সীদা লৈবা ক্লব/মৈরা পায়বীশিংগী কন্সলটেটিভ মীটিং অমা শীংজমৈ টোপ লৈকায়গী কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অসিদা এস উমানন্দ, থবক্তগী পোত্থারবা লেকচরর টি ঐচ ইবোপিশক, থবক্তগী পোত্থারবা ফিশরিজ লোয়শঙগী দিরেক্টর কে সরত, কর্নেল য়ু জি শিং (রিটাইয়র্দ) অমসুং এম য়ুগী ষ্টুদেন্টস ৱেলফেয়রগী দিন ওইরম্বা টি ঐচ রতনকুমারনচিংবনা ময়ায়গী ফম্ফমদা ফমদুনা শরুক য়াখি।

ঙসিগী মীফম অসিদা শরুক য়াখিবশিংনা অমত্তা ওইনা য়ান্নদুনা শীংজমৈ এ সীগী ওইনা পিছ এন্দ রিলিফ কম্মিটিশিং শেমখি। লোয়ননা ঙসিগী মীফম্না লৌখিবা ৱারেপশিংগী মনুংদা শীংজমৈ এ সীদা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা হোৎনবা, মণিপুর লৈঙাক্না ঈরাং লৈরবা মফমশিংদা লৈরিবা মীতৈশিংবু পুথোরক্লবা তকশিনবা অমসুং থবকশিং অসি পাঙথোক্লবগীদমক মাহুদ মিনিষ্টরনা ক্লব/মৈরা পায়বী অপূনবা কম্মিটিগা লোয়ননা চঙশিনবা অমসুং ভাইওলেন্সকী থবক য়াওবা খোঙজংশিং লেপহন্নবা হোৎনবনচিংবনি।

মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা মিনিষ্টরনা লমদম অসিদা তোঙান তোঙানবা কম্যুনিতি ৩৫ পূন্না নুংশি চান্ননা মহৌশাদগী লৈমিন্নরক্লিবনি হায়রদুনা হন্দক্কী থোকহন্নীংদবা থৌদোক অসিদা ওইদবা তোকঙা য়াম্না শন্দোরকখি হায়রদুনা শীংজমৈ এরিয়াবু ঈং-তপ্পা লমদম অমা ওইহনবদা মীয়াম্না মতেং পাংবীয়ু হায়দুনা আপীল তৌখি।

# হোম দিপার্টমেন্টনা মীদিয়া ...

*লামায় ১গী মখা...* দিপার্টমেন্টনা প্রিন্ট মীদিয়া হাওস অমদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা মীওইশিং মশক খঙদবগুম তৌরে হায়না পেন্দবা ফোঙদোক্নরক্লি।

নাকল অমরোমদা, কর্ফিয়ুগী অথিংবা কোমথোক্নবগীদমক ৱার্কিং জ র্নেলিষ্টশিংদা তোঙান্না কর্ফিয়ু পাস পীদে হায়রগসু অখন্নবা পাউচে অমদা পীরম্বগী ৱাফম ফাওবা পুথোক্নদুনা ঙসি নুংথিল বাবুপড়াদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট, ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওফিসতা এ দি সী অমা য়াওনা মহাক্কী ষ্টাফশিংগা ৱাফংনবগী থৌদোক ফাওবা থোকখ্রবনি হায়রি।

# অটসুমনা শিন্দুনা ত্রাইবেল সোলিদরিটি...

*লামায় ১গী মখা...*ওথোরিটি/ফোর্সশিংনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎহৌদবদগী থোকহনখিবনি হায়বগা লোয়ননা মসিগী মতাংদসু মথৌ তাবা রেকমেন্দেসনশিং পীবিয়ু হায়জখি।

চুড়াচান্দপুর অমসুং বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মীতৈ/মৈতৈ ফুরুপকী য়ূম কয়া মৈ থারকপদগী ফুরুপ অসিগী মীওইশিংনসু খূৎ হল্লকখিবনি হায়রদুনা মসিনা মরম ওইরদুনা নক্লনা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্টশিং মরু ওইনা কাংপোকপী অমসুং তেংনৌপলগীনা মোরে টাউন য়াওনা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ককচীং অমসুং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টনচিংবদা কুকিশিংনা লৈরিবা মফমশিংদসু পাক্তক্লনা শন্দোরকখিবনি হায়রি।

হৌজিকসু চুড়াচান্দপুর, কাংপোকপী, তেংনৌপল অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা মীতৈ/মৈতৈগী নুপী অঙাং কয়া অমা মশীং খঙদনা লৈরি হায়রদুনা থৌদোকশিং অসি থোরকপদগী লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু দিষ্ট্রিক্ট খরদা কর্ফিয়ুগী অথিংবনচিংবা থমজিনখিবনি হায়রি। অদুগা ফুরুপ অনীগী মরক্তা লৈরম্বা মরী শোকচিলহল্লকপগা লোয়ননা ফীভম অসি য়ুনিয়ন গভর্ণমেন্টনসু হকচিন্না লৌরদুনা পেরা মিলিটরি অমসুং আর্মিশিং থারকখিবনি হায়রি।

থৌদোকশিং অসি অটসুমনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা সোলিদরিটি মার্চতগী থোকহনখিবনি হায়বগা লোয়ননা তোঙান তোঙানবা মরমশিং হায়নরক্লগসু ইনক্বারি মপূং ফানা চথুদ্রিবা ফাওবদি অশেংবা মরম খঙবা ঙল্লোই হায়খি।

কমপ্লেন্ট অসি ঙসি কম্মিসনগী চ্যেরপর্সন য়ু বি শাহ অমসুং মেম্বর কে কে সিংহগী কোরমনা লৌখৎখিবগা লোয়ননা অৱাবা তারবা মীওইশিংদা পীফম থোকপা তেংবাঙশিং পীননবা রেসপোন্দেন্টশিংদা দিরেক্সন পীখিবগা লোয়ননা রেসপোন্দেন্টশিংনা কেস অসিগী মথংগী নুমিৎ ওইরিবা মথং থাগী ৮ ফাওবগী মমাঙদা ষ্টেটস রিপোর্ট পীখৎলক্লবসু খঙহনখি।

# চুম্বা-লানবগী ৱাফম থাদোক্লরগা তংদু...

*লামায় ১গী মখা...*য়েংলগা ৱাফম অসি ফোঙদোকপনি হায়রদুনা নাকল নাম্মতগী ওইবা পাউ ফোঙবীগনু হায়নসু মহাক্না আপীল তৌখি।

মীতৈগী থাজনা নীংজবা কোন্দোং লাইরেম্বী, কৌব্রু লৈখাগী লাইশঙনচিংবসু মৈ থাদোকখিবদা য়াওখ্রে হায়রদুনা কুকিগী য়ূম/চর্চ খক্তা শোকহনবা নত্তে, থোরক্লিবা থৌদোকশিং অসিনা চীং অমসুং তমদা লৈরিবা পূম্নমক্তা ৱাহল্লে হায়খি।

মীতৈ ময়াম য়াওনা কুকি নত্তবা ফুরুপশিংদসু অৱাবা নংলি হায়রদুনা ঙাইহাক শাওনবদগী থোকখিবা থৌদোকশিং অসিনা কুকি খক্তদা শোকহনবা নত্তে। মীতৈশিংবু শা-ঙাগুম্না উহনবসু য়াওরক্লে। পাউচেশিংদা মীতৈশিংবু য়াম্না তমথীবা অমা ওইনা উহল্লে হায়রদুনা নাকল নাম্মতগী ওইবা পাউ ফোঙবীগনু হায়খি।

কম্যুনেল রাইওট লাকশিনবা য়াম্না হৈবা রেপিদ এক্সন ফোর্সশিং মণিপুরদা লাক্লবসু এথনিক ক্রাইসিস অসিগী মতাংদা খন্থহৌগদবনি। অশিবা মশীং অমসুং অশোকপা মশীং কয়ানো হায়বসি লৈঙাক্না খঙহনগদবনি। কোভিদ-১৯গী মতাংদা পীখিবা রিপোর্টকুম্না পীগদবনি হায়খি।

লোয়ননা 'সু' দা লৈরিবা খূৎলায় পায়বশিংগা এ আরগবু ওইরো নৎত্রগা অতোপ্পগবু ওইরবসু চৎমিন্নরগা মীতৈশিংদা এটেক তৌবগী পাউ য়াওরি হায়রদুনা পুলিস, আই আর বি, আর্মি, পেরা মিলিটরি ওইরবসু 'সু' দা চোংশিল্লগা অতোপ্পা ফুরুপ অমদা খূৎ থাবা চুমদে হায়খি।

মরম অসিনা অসিগুম্বা থবকশিং অসি তৌগনু, তুংদা অকায়বা লাক্কনি হায়খি। মখোয়দি মীওইবগী পুন্সি অমসুং লন থুম কন্নবা লৈবনিনা লৈঙাক্না য়েংশিনগদবনি। রিলিফ কেম্পতা মতেং পীবা চৎপদসু অয়েৎপা পীবীগনু। মসিদা মরু ওইনা লৈঙাক্না মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎতুনা মতেং পাংবীবা ফৈ। গভর্ণরনসু থৌদাং লৌবীদুনা পূন্না কৌবীরগা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবীয়ু হায়না আপীল তৌখি। অদুগা রোটরি ক্লব, রেদ ক্রোস সোসাইটিনচিংবনসু থৌদাং লৌবীদুনা অৱাবা তারবশিং য়েংশিনবীয়ু হায়খি।

# ঈং-তপ্পা হঞ্জিলহন্নবা কুমজা...

*লামায় ১গী মখা...* কাঙবুশিং খন্দোকপীদুনা মণিপুরদগী চৎহনবীখ্রো হায়খি।

মশা মশাগী লমদা/ময়ূমদা চৎহনবীখো হায়বসি ফোক্সকী ফিরেপনি হায়রদুনা মসি হেক তৌদ্রিবা ফাওবদি লৈঙাক্না লোইশিল্লগসু ফোক্সকী ওইনদি খাংদুনা লৈরোই, লেপ্তুনা চঙশিনগনি হায়খি। মণিপুর থুগাইনবা চঙলক্লিবশিং অসি থেংনমিন্নসি, মণিপুর মীয়ামগসু খাংমিন্নসি হায়খি।

'সু' তৌনরিবশিংনা এল এম জি পায়রগা পূন্না লৈমিন্নরিবসি করি মরমগী লৈমিন্নফম থোকই হায়বা ৱাফম হংলদুনা মসিগী নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক করিনো খঙহনফম থোকই হায়খি।

মণিপুরদা ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম চৎনহল্লু হায়বা মতমদা মীতৈশিংবু ফূদুনা তাল্লকখিবা লৈখি। মতমদুদা অসাম রাইফলসশিংনা নোক্লগা য়েংখিবনি হায়নসু মহাক্না মরাল শীবগা লোয়ননা ঙসিনা মৈ থাদোক্তুনা অৱাবা তারবা, মীচেন ওইনা তাংজদুনা লৈরবশিংবু সেট্টল তৌহনবা ঙমদ্রি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# বি জে পিগী দব্বল ইঞ্জিনগী লৈঙাক ...

*লামায় ১গী মখা...* শোকচিল্লক্লে। অনা অয়েক য়াওশিল্লক্তুনা বি পি ষ্ট্রোক তৌবা, পেরলাইসিস তৌবা অমসুং অঙাং উন্নবা ফাওবা য়াওশিল্লক্লবা ফাওবদা তূমিন্না লৈশিল্লক্লিবা অসি নুংঙাইতবদগী প্রপোজেল তৌখিবনি হায়খি।

লোয়ননা হৌজিক্কী ওইরিবা ফীভম অসিদা পোলিটিক্স তৌবা মতম নত্তে, রিএলিটিদা চৎকদবনি। থোক্লিবা থৌদোক অসি মণিপুরগী পুৱারীদা অমুক্তা থোক্তবা থৌদোক অমনি হায়বগা লোয়ননা পূম্নমক অসি লাকশিন দুনা ঈং-তপ্পা পুরক্লবা হোৎনগদবনি হায়খি। লোয়ননা শিবা চঙবা ঙমদনা হিংলবা ফীভমসিদা করিগী পোলিটিক্স তৌগদৌরিবনো হংলদুনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পাঙথোকফম থোকপা থবকশিং পায়খৎলক্তবসি লাইবক থীবনি হায়খি।

থোরক্লিবা থৌদোকশিং অসি মণিপুর লৈঙাক অমসুং হোম দিপার্টমেন্টনা শোয়বদগীনি হায়বসি ময়েক শেংলে হায়রদুনা অসুক তমথীবা থৌদোকশিং অসি করিগীদমক্তা থোকহল্লিবনো হংখি। লোয়ননা লৈঙাক্কী ইন্টলিজেন্স ফেল ওইরে তাকপনি হায়খি।

অদুম ওইনমক মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী মায়কৈদগীদি অমুক হন্না ঈং-তপ্পা পুরক্লবা মীয়ামদা পাউজেল পীজরি হায়খি অদুবু ফীভমশিং অসি ফগৎহল্লক্ল বগীদমক লৈঙাক্না লৌখৎলক্লিবা থবকশিংদি পেন্নীংঙাই ওইদ্রে হায়খি।রিলিফ কেম্পতা লৈরিবশিংগী মনুংদা শিবা ফাওবা য়াওরকপদা অশিবা লৌথোকপা ঙমদবা য়াওরে হায়রদুনা মথৌ তাবা হীদাক লাংথক পীবসু ঙমদ্রে হায়খি। মী লিশীং ৩ লৈবা রিলিফ কেম্প অমদা ঈশিং টেঙ্কি অমনা

করম্না শীজিন্নগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোক্লদুনা থৌদোক অসি থোকখিবা নুমিৎ মঙানি শুরক্লবা ফাওবদা রেস্ক্যু তৌবা ঙমদ্রিবা করিগীনো হংখি।

মণিপুর অসি পুলিস, এম আর অমসুং আই আর বি পর্সনেল লিশীং ৩৫ রোম লৈবগী মথক্তা সেন্ট্রেল ফোর্সকী পর্সনেল লিশীং ১৪ রোম পুশিল্লকখ্রে হায়রগা মোরে, চুড়াচান্দপুর অমসুং ইম্ফালদা পল্লিবশিং মাগী মাগী মফমদা থম্বা ঙমদ্রিবা করিগীনো হংখি। লোয়ননা করিগীদমক্তা নেসনল ন্যুজপেপর অমসুং ন্যুজ চেনেলশিং য়াওনা লোকল মীদিয়াদা ষ্টেট অসিদা আর্টিকল ৩৫৫ চৎনহল্লে হায়রগা মীয়ামদা খঙহন্দবা করিগীনো হংখি। মণিপুর লৈঙাক্কী নৌনা হাপ্লকখিবা সিক্যুরিটি এদভাইজরনদি কন্সটিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৫৫ চৎনদে হায়না অমুক ফোঙদোরক্লিবা অসিনা করম্বনা চুমগদৌরিবনো হায়না মীয়ামদা চম্নবা পোক্লে হায়খি।

মপান্দা চৎখিগদবা মীওই কয়াগী ফ্লাইট টিকেটকী মমল লুপা লিশীং ৫০ য়ৌরে হায়রদুনা পোৎ চৈগী মমলসু ৱাংখৎলক্লে হায়খি। লোয়ননা হন্দক্কী থৌদোক অসিগী ইপি সেন্টরসু চুড়াচান্দপুরনি হায়রদুনা বি জে পিগী লৈঙাক অসিনা থৌশা ৱাশাদনা লৈথোকপা হায়বসি মীয়ামগী লাইবক থীবনি। দব্বল ইঞ্জিন কদাইদা চৎখ্রবগে হংলদুনা হৌজিক ওইরক্লিবা ফীভম অসি মীয়াম্নসু মতেং পাংবীদুনা হান্নগুম্না তংদু লৈতানা নুংশি চান্নবা হঞ্জিল্লক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু হায়খি।

# মণিপুরগী ঈরাংগীদমক সুপ্রিম কোর্টতা ফাইল...

*লামায় ১গী মখা...* কয়া মাঙহনখিবা অসিমক কোর্টকী মায়কৈদগী হকচিন্না লৌই হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

জষ্টিস পি এস নরসিমহা অমসুং জি বি পার্দিৱালাসু য়াওবা বেঞ্চ অসিনা লৈফম চাফম মফম খঙদ্রবা মীওইশিংগীদমক রিহেবিলিটেসনগী মথৌ তাবা থবকশিং লৌখৎপগা লোয়ননা লাইনীংগা মরী লৈনবা মফমশিংদসু নীংথিজনা ঙাক শেনবগী থবকশিং লৌখৎনবা খঙহনখি।

কোর্টনা মেট্টরশিং অসি লৌখৎলকপদা সেন্টর অমসুং মণিপুর লৈঙাক্কী মায়কৈদা লেপখিবা লৈবাক অসিগী সোলিসিটর জেনরেল টুসর মেহটানা মণিপুরদা হৌজিক আর্মি অমসুং এ আরশিংগী মথক্তা সেন্ট্রেল আর্মদ পুলিস ফোর্সকী কম্পেনি ৫২ দিপ্লোই তৌরে হায়খি। খুদোংথীবা থোকপা য়াবা মফমশিংদা ফ্লেগ মার্চ চৎপা হৌরে অমসুং মহৌশাগী পুন্সিদা হঞ্জিল্লক্লবা মীফমশিং পাঙথোকপসু হৌরে হায়খি।

অদুগা ঈরাংনা মরম ওইরদুনা মফম খঙদ্রবা মীওইশিংগীদমক সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা ঙাক শেনবগা লোয়ননা রিলিফ কেম্পশিং হাংদোক্লে হায়খি। কর্ফিয়ুগী অথিংবা ফাওবা পুং খরা খরগী ওইনা কোমথোকপসু হৌরে হায়খি।

সোলিসিটর জেনরেলগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা কোর্টনা মণিপুরদা থোক্লিবা কাঙলূপকী ঈরাংশিংগা মরী লৈননা ফাইল তৌরকপা পিটিসনশিংগী মখা তাবা হিয়ারিং থা অসিগী ১৭তা চথুনবা খঙহনখিবগা লোয়ননা সেন্টর অমসুং ষ্টেটতসু থৌদোকশিং অসিগী ষ্টেটস রিপোর্টশিং পীখৎলক্ল বা খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ৩দগী থোরকখিবা থৌদোকশিংগী মতাংদা দেল্লীদা বেজ তৌবা মণিপুর ত্রাইবেল ফোরমনা এপেক্স কোর্ট অসিদা পি আই এল অমা ফাইল তৌখিবনি। অদুগা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা মার্চ ২৭, ২০২৩দা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চন্নবগী মতাংদা পীখিবা দিরেক্সন অমবু চেলেঞ্জ তৌরদুনা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমল্লিগী হিল এরিয়াজ কম্মিটিগী চ্যেরমেন দিঙ্গাংলুং গাংমৈনা পিটিসন অমসু ফাইল তৌখিবনি।

অদুগা থা অসিগী ৩দা মহাক্কী মথক্তা মীতৈ/মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ননা ফাইল তৌরকপা কন্টেম্পট পিটিসন অমগা মরী লৈননা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরনা পীখিবা ওর্দর অমগী মায়োক্তসু সুপ্রিম কোর্টতা আপীল অমা ফাইল তৌরকখিবনি।

# জে দি-য়ু য়াওনা পোলিটিকেল ...

*লামায় ১গী মখা...* মায়কৈদগী লুচিংবশিং অসিদা ষ্টেট অমসুং সেন্টরগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা অয়ূক নুমিদাং থিদনা অমসুং চোকথবা নাইদনা লুরবা তাঞ্জা অসিদা মমল য়াম্লবা পুন্সিশিং অমসুং লন-থুমশিং ঙাক শেন্নবা খঙহনখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা মীয়াম অমসুং সী এস ওশিংগী মতেংদগী ঈরাংনা শোকহল্লবা মীওইশিংগী লৈফম চাফম পীনবগীদমক তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা রিলিফ কেম্পশিং হাংদোক্লে হায়নসু ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীওইশিং শাফগদবা মফমশিংদা থংদোক্লবগী থবকশিং লৌখৎলে হায়খি।

অদুগা সেন্টর অমসুং ষ্টেট লৈঙাক্না তান্নদুনা অৱাবা তারবশিংদা পীফম থোকপা তেংবাঙ পীনবগী থবকসু খন্নরগনি হায়না ফোঙদোরকখি হায়রি।

অমরোমদা, থোরক্লিবা থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা হায় লেভেল কম্মিসন ওফ ইনক্বারি অমা চথুহনবীনবা জে দি-য়ু মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট কে এস ঐচ বিরেননা হায়জখ্রে হায়রি।

ঙসি পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা পার্টিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা মহাক্না মখা তানা হায়, থৌদোক অসিদগী অৱাবা নংলবা ইমুংগী মীওইশিংদা মণিপুর লৈঙাক্না এক্স গ্রেসিয়া পীবিয়ু হায়খি।

থৌদোকশিং অসিগী মতাংদা ঙরাং জে দি-য়ুগী প্রসিদেন্ট ওইরিবা মহাক মশানা লুচিংবা পার্টিগী লুচিংবশিংনা গভর্ণরদা মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখ্রে হায়খি। লোয়ননা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎশিং য়াওবা পিছ কম্মিটি অমসু শেম্লগনি হায়খি।

পেন্নদবদগী থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অসি মতুংদা অমুক হন্না থোকহন্দনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎকদবনি হায়বগা লোয়ননা পার্টিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. নিমাইচান্দ লুৱাংনা ফোঙদোকখিবদা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা কম্যুনিতিগী লুচিংবশিং য়াওনা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

লোয়ননা হন্দক্কী থৌদোক অসি মতৌ করম্না থোকখিবনো হায়বা কূপ্না থিগৎপা য়াম্না মরু ওই হায়রদুনা অথুবা মতমদা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা মীওইশিং পুথোকপীদুনা মফম চাবা য়েংলগা থম্বীয়ু হায়খি।

অমরোমদা, এন আই টি, মণিপুরদা বিহারদগী মহৈরোয় ৬৭ অমদি য়ু পিদগী মহৈরোয় ৬০ রোম লৈরি হায়রদুনা অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী মহৈরোয়শিংদি হান্না লোইনা চৎনখ্রে, লৈহৌরিবা মহৈরোয় ১২৭ অসিগী মনুংদা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিটিসকুমারনা মণিপুরগী জে দি-য়ুগী প্রসিদেন্টদা হায়রকপগী মতুংইন্না অঙাংশিং অসিবু য়েংশিনবগা লোয়ননা মখোয়গী চান-থক্নবশিং ঙসি মতেং পাংখ্রে হায়খি। মখা তানসু মখোয়গী মথৌ তারকপশিংদা পার্টিনা পীননবা থৌরাং তৌরি হায়বগা লোয়ননা অথুবা মতমদা মখোয়বু এরোপ্লেন অমা থারক্তুনা লৌবা লাক্লগনি হায়খি।

পাউগী মীফম অসিদা পার্টিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. কে ঐচ লোকেন, ও নবকিশোর অমদি অতৈ লুচিংবশিংনা শরুক য়াখি।

# শিখিবা অপূনবা মীওই ৬৫নি হায়রগসু ঈরাং মনুংদা...

*লামায় ১গী মখা...* থমদুনা ঙাক শেনবগী থবক য়াম্না কন্না চথবদগী মীয়ামদা লৈরম্বা অকি-অখংশিংদি কোকহনবা ঙল্লে হায়খি।

লোয়ননা মীয়াম্থু ঙাক শেনবগী থবক পাক শন্না চথুরি। হৌজিক ফাওবদা থোকখ্রিবা থৌদোকশিংগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা পুলিস ষ্টেসনশিংনা এফ আই আর কেস ২০৮ রেজিষ্টার তৌদুনা লৌখৎলে অদুগা থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অদুনা মরম ওইদুনা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী অশিবা হকচাংশিং ওফিসল ওইনা আইদেন্টিফাই তৌবগী থবকসু হৌরে হায়খি।

হন্দক থোকখ্রিবা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং অসি মখা তানা থোক্লক্তনবা সিক্যুরিটিগী মায়কৈদগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলে হায়না মহাক্না অমুক্কসু হন্না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থোকখ্রিবা ঈরাংশিংগী মনুং চন্না ষ্টেট ফোর্সকী পর্সনেলশিংদগী লাকখিবা তোঙান তোঙানবা খুৎশু-খুৎলাইশিংগী মনুংদগী নোংমৈ ১৯২ রিকোভর তৌবা ঙল্লে হায়খি।

ষ্টেট ফোর্সকী পর্সনেলশিংদগী লৌখিবা খূৎশু খূৎলায়শিংগী মনুংদগী রিকোভর তৌবা ঙল্লক্লিবা অসিদসু মীয়াম্নসু অচৌবা মতেং পাংবীরকখি হায়রি।

অমরোমদা, থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অদুনা মরম ওইরদুনা চুড়াচান্দপুর, মোরে অমদি ইম্ফালনচিংবা মফমশিংদা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদগী মীওই লিশিং ৩৫ রোম মহৌশাগুম্না ফ্রি মুভমেন্ট তৌবগী থবকসু হৌরে হায়খি। হৌজিক ফাওবদা ঈরাংনা শোকহল্লম্বা অপূনবা মীওই লিশিং ২০ হেন্না মশা মশাগী ময়ুম-ময়ুমশিংদা হলহনবা ঙমখ্রে হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

অদুগা হৌজিক ফাওবগী ওইনা লেমহৌরিবা মীওই লিশিং ১৫ রোম অসিসু হয়েংদগী হৌরদুনা মখোয় মখোয়গী লৈফমশিংদা তেক্তা কায়দনা য়ৌহন্নবা থৌরাংসু পায়খৎলে হায়খি। থবক অসিদা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অমদি পেরামিলিটরি ফোর্সশিংগা খুৎশম্নবদা নত্তনা মপানগী মীওই ২০০০ রোমসু ইম্ফাল এয়রপোর্ট ফাওবা থিনে দাক্তুনা মাগী-মাগী পন্থুংফম য়ৌনবা চৎহনখিবা ঙল্লে হায়খি।

চৈরকসিদা ইম্ফালগী মন্ত্রিপুখ্রি অমদি চুড়াচান্দপুরনচিংবদগীসু মীওই ৩০০ লোম মশাগী ময়ুম-ময়ুমদা হঞ্জিলহনবা ঙমখ্রে। চুড়াচান্দপুর অমদি মোরেলোমদগীসু মীওই কয়া সিক্যুরিটিগা লোয়ননা লাকপা হৌনবা থৌরাং তৌরে। করিগুম্বা মখোয়না মশানা হল্লকপা পান্নগদি মদুগীসু অয়াবা অদুমক লৈ। মদুদসু সিক্যুরিটি পীবিয়ু হায়রবদি সিক্যুরিটি পীনবা থৌরাং তৌগনি। মোরেদা হৌজিক ফাওবদা অহেনবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং থাজিন্দ্রি হায়না মীয়াম্না ফোঙদোক্নরক্লিবসি চুম্মী হায়রদুনা মফম অসিদা বি এস এফকী কম্পনি ২ থাজিন্দুনা ঙসি থুংখ্রে হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

লোয়ননা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং অসি মখা তানা থোরক্তনবগীদমক হৌজিক ষ্টেট অসিদা পুন্না সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংগী কম্পেনি ৫২ দিপ্লোই তৌরে হায়খি।

অদুগা আর্মি অমসুং অসাম রাইফল্‌সকী তোঙান তোঙানবা কলম ১০৫সু শীজিন্নরে হায়খি। লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা থোরক্লিবা থৌদোকশিং অসিগী মনুং চন্না কনাগুম্বা মীওই অমত্তনা মখোয় মখোয়গী মীওইশিং মাঙখিবা থৌদোকশিংগা মরী লৈননা পুলিস ষ্টেসন অমত্তদা নৎত্রগা লৈঙাক্কী মায়কৈদা মিসিং রিপোর্ট ফাইল তৌনরকপা লৈত্রি হায়খি।

অমরোমদনা থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অসি লাকশিন দুনা মখা তানা থোকহন্দনবা সিক্যুরিটিগী মায়কৈদগী অকনবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎলকপগা লোয়ননা থোকখ্রিবা থৌদোকশিং অদুদা চেন্নবনি হায়বা মীওই ২৮সু থৌদোকশিং অদুগা মরী লৈননা লৌখৎপা কেসশিংগী মনুং চন্না ফাগৎপা ঙমখ্রে। লোয়ননা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং অদুগী মনুং চন্না তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা পাক শন্না য়ুম মৈ চাকখিবা অমদি লন-থুম কয়া মাঙ তাকখিবনচিংবা থৌদোকশিংদা কদাই ফাওবা মাঙ তাকখ্রবনো হায়বদুসু লৈঙাক্কী মায়কৈদগী খঙদোক্লবা হোৎনরি হায়খি। অদুগা হৌজিকমক্কী ওইনদি কার্ফিয়ুগী অথিংবা থম্লক্লিবা অসি হন্দোকপগা লোয়ননা মীয়াম্না মহৌশাগুম মোবাইল দাটা সর্ভিস/ইন্টরনেটগী খুদোংচাবা ফংহন্নবগী থৌরাং লৈত্রি হায়নসু পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি, থা অসিগী ৩দগী মফম কয়াদা পাক্তক্লনা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরকপদগী ৱেষ্ট বেঙ্গল কেদরগী থবক্তগী পোত্থারবা আই পি এস ওফিসর কুলদিপ সিংহবু মণিপুর লৈঙাক্না থা অসিগী ৪দা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না মণিপুর লৈঙাক্কী সিক্যুরিটি এদভাইজর ওইনা এপোইন্টমেন্ট পীখিবনি।

**GAS NEWS**
MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING UPTO DATE
Time : 06am to 09am
Any enquiry and booking
Contact No. 7629045883